# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থাঙ-তাগী দিপার্টমেন্ট অমা হাংদোক্কদৌরিবা অসি ঐখোয় পূম্নমক্কী লাইবক ফবনি ঃ এম রাজেন

থাঙ-তাদা মিৎয়েং অমা রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



মোইরাংথেম রাজেন
থাঙ-তাগী গুরু (পাহুলাশি)




হান্নগী মখা...

ইশাগী ওইবা ৱারীদা অমুক লাকচরবদা পাখঙবা হুয়েল লাল্লোং থাঙ-তা শিন দমশঙগী গুরু (প্রিন্সিপাল) অমা ওইনা লৈজরকপগী মপান্দগী মণিপুরদা লৈবা থিএটর গ্রুপ কয়াদসু ঐহাক থাঙ-তাগী ক্লাস লৌজরকখি। লীলা, দ্রামা, থিএটর হায়বসিদসু থাঙগী চন্নফম অসিদি মপান নাইদে হায়বা য়াই। থাঙনা চন্নদবা মফম অমত্তা লৈতে। কুমজা ১৯৯৫ দা কোরস রেপরটোরি থিএটরনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থিএটর প্রোগ্রাম অমদসু ঐহাক নুমিৎ তরেৎনী চুপ্পা রেপরটোরিগী আর্টিষ্টশিংদা থাঙ-তা তম্বীরকখি। হায়রিবা চহীদুমক্তদা এভান্টগার্দনা অশিন অরাং তৌদুনা চখবা ৱার্কশোপ অমদসু ঐহাক থিএটর গ্রুপ অসিগী এন এস দি মহয়রোয়শিংদা থা অমা চুপ্পা থাঙ-তাগী ক্লাস লৌরকখি। কুমজা ১৯৯৮ দা ঐচ আর দি মিনিষ্টর (গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শিনবা) না স্পোন্সর ওইদুনা পাঙথোকপা নেসনল ইন্টিগ্রেসন কেম্প ফোর পীছতসু ঐহাক শরুক য়ারকখি। কুমজা ১৯৯৯ দা তৌখিবা ফার্ষ্ট ওল মণিপুর চৈবি চেম্পিয়নশিপ্তসু অম্পায়র ওইনা য়াওরকখি। হুলা শিন্দমশঙদগী কুমজা ১৯৮৩ দগীনা ১৯৮৬ ফাওবা জুনিয়র ইন্সত্রক্টর ওইরকখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৮৬ তগী ১৯৯০ ফাওবনা সেনিয়র ইন্সত্রক্টর ওইনা লৈরকখি। অসিদসু নত্তনা কুমজা ২০০৩ দা ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএশন্নসু টেক্নিকেল জর্জ অমা ওইনা শকখঙবীরকখি। লোয়ননা মণিপুর মার্সেল আর্টসকা মরী লৈননা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী সেনিয়র ৱার্কশোপ কয়াদসু শরুক য়ারকখি।

কুমজা ২০০৫ গী ওক্তোবর ৮ অমসুং ৯ দা নুমিৎ নীনি চুপ্পা কংলাদা অপূনবা থাঙ-তা লূপ অমদি মীতৈ নহারোল থাঙ-তা কাঙলুপ্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল সেনিয়র ওন ইম্পোর্টেন্স ওফ থাঙ-তা ইন মণিপুরনচিংবসু চিথবা লৈতনা য়াওজরকখি। মসিগী মখা তারকপা কুমজা ২০০৮ গী ওগষ্ট ৯ দগী ১২ ফাওবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা তৌখিবা ইন টরনেসনল সেনিয়র এন্দ ৱার্কশোপ ওন স্পিরিচুয়েল এন্দ ফিজিকেল দাইমেন্সন ওফ মণিপুর মার্সেল আর্টসকী সেমিনারদসু শরুক য়ারকখি। লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী থাঙ-তা দিপার্টমেন্টকী বোর্দ ওফ ষ্টদিজগী মেম্বর ওইনা চহীদুদা খল্লকপদগী হৌজিক হৌজিক থাঙ-তাগী শাজেল কাঙলোনগী লাইরিক কয়াসু ইদুনা ফোঙননবা হোৎনরি।

অমরোমদা, থাঙগী ক্লাস লৌরকপা মতমদদি শুপ্নগী থিওরিখক্তনা মহয়রোয়শিংদা ভাব তাহনবা য়ারোই। থাঙ-তাগী লেকচর পীবা মতমদা থিওরি অমদি প্রেক্টিকেল তুনা তাকপীবা মথৌ তাই। মরম অদুনা মণিপুরদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি হাংলকপা মতমদা কনা কনাবু থাঙগী, তাগী, চৈবিগী, মুক্নাগী ওজা ওইনা খনগদগে হায়বসি কুপ্না য়েংদবা য়ারোই। হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থাঙ-তাগী দিপার্টমেন্ট অমা হাংদোরক্কদৌরিবা অসিমক্তি লমদমসিগী ওইনা খ্বাইদগী ফরবনি। ঐখোয়দা হৌজিক থাঙ-তাগা মরী লৈনবা লাইরিক খরা ইননবা থৌদাং অমা পীবিবসিসু তশেংনা হায়জরগদি লাইবক ফবনি হায়না লৌজে। থাঙ-তাগী মতাংদা চহী অহুমদা (টর্ম অহুম) তমগদবা, ঐঙোন্দা শিন্নবীরকপশিং ইথোকচদুনা হৌজিক অয়াম্বা শরুকসু লোইশিল্লক্লে। থাঙ-তাগী বোর্দ ওফ ষ্টদিজগী মেম্বর অমা ওইনা মরু ওইবা পূম্নমক লৌখৎচদুনা মচং ওইবা লাইরিক অমা ওইননবা অঙন্বা থাক্তসু হোৎনজরি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থাঙ-তাগী দিপার্টমেন্ট অমা হেক লাকপদা য়াম্না থুনা মশক থোক্লক্কনি হায়না থাজৈ। থাঙগী মরমদা খঙনিংবা, হৈনিংবা, মমুৎ তানা নৈননিংবা মীগী মশীং য়ামখৎলক্লবদি মণিপুরদা মতম কুইনা শিথরুরবা, বৃটিশকী লোইলম শাসন মখাদা নমশিন্দুনা মাঙলুরবা মহয় অসি মণিপুর পূম্বনা পাম্নরক্তুনা ইনৌ নৌবা শক্তম অমদা লাক্কনি।

থাঙ-তাগী মহয় অসি পাক শন্না খঙহন্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদসু কোয়না চৎলকখি। ইন্দিয়াগী মশক নাইবা থৌরম কয়াদসু ইতৎ তত্তনা থাঙ-তা উৎপা য়াওজরকখি। টুয়েন্টিসিক্স জানুৱারী, রিপব্লিক দেগী অখন্নবা প্রোগ্রাম কয়াদা য়াওদুনা থাঙ য়ানবী, থাঙ লৈতেং হাইবী, তোঙান তোঙানবা আইটেম মঙাদা তৎতনা উৎলকখি। মপান্দা শো উৎপা চৎপদা মণিপুরগী থাঙ-তাগী মশক অসিদি ময়ামদগী তোঙানবা অমা ওইবনা মীয়াম্নসু য়াম্না থাগৎপীরকই। খেন্নবসি ঐখোয়নসু অদুম উরকই। থাঙ-তাগী ফজবশি ংঅসি মণিপুর ৱাংমা হেক লানবদা হেন্না ময়েক লারকই। কনাগুম্বা ওর্গেনাইজেসন অমনা, কন্টেক্ট তৌবিরক্তুনা চৎমিন্নবা মতমদা কৈদৌনুংদসু পাহুলাসিনা শেলগীদমক মন্তিক্লদে। থাঙ-তাগী মহয় অসি ঙসিদি মণিপুরগী মপান্দা খঙহনবা ঙমগদৌরে খনবদা হেন্না ফজবা মওংদা উৎননবা চেকশিন্না হোৎনজৈ। ফজবা শো কয়া উৎপা ঙমখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক্তি পাহুলাসিগী মহৈরোয় কয়া ইন্দিয়া মনুংদতা নত্তনা নোর্থ অমেরিকাগী কনাদাদা সিটিজেন ওন্দুনা লৈখিবা অঙাং অনী শুখ্রে।

অসিদসু নত্তনা কুমজা ২০১৫ গী সেপ্টেম্বর থাদা সাওথ কোরিয়াগী মার্সিয়েল আর্টস পার্কতা তৌখিবা ইন্টরনেসনল মার্সিয়েল আর্টস কন্টেষ্ট অমসুং অহুমশুবা এসিয়ন থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা চৎখিবা মণিপুর মচাশিংনা অহুমশুবা পোজিশন লৌরকখি।

মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ১২

1. শগোল কাঙজৈ শান্নবদা অহল্লুপ পানানা করি মচুগী ফুরিৎ লিংপগে?
2. ধ্যানচান্দ এৱার্দ ফংবা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী শান্নরোয়সু ওইরম্বা, কোচসু ওইরিবা মীশক অদুগী মমিং করি কৌবগে?
3. মহারাষ্ট্রগা কথিয়াৱারগা কুমজা ১৯৪৮-৪৯ দা রঞ্জি ত্রোফি মেচ বোম্বে/মুম্বাইদা শান্নখিবদা মহারাষ্ট্রগী নিমবালকারনা রন ৪৪৩ লৌদুনা দোনাল্ড ব্রেদমেনগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ রন ৪৫২ য়ৌগদবা খজিক্তং ঙাইরম্মী অদুবু চা থকপগী পোত্থাবা মতমদা শান্নবা লোইশিন্দ্রিঙৈদা কথিয়াৱারগী টিম ময়ূমদা হনখি। করি মরমগীদমক টিম অসিনা ময়ূমদা শান্নবা লোইদনা হনখিবনো?
4. ওলেম্পিক্তা লমজেল চেনবদা উপলিবা খোঙউপশিং অদুগী খুগাদা পাল্লিবা য়োৎপীশিং অদু কয়া য়াম্না শাংবা ফাওবা য়াবগে?
5. এফ্রো এসিয়ন গেমস (হায়দ্রবাদ) দা সনাগী মেদল ফংখিবা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগী কেপ্তেন কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ২২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ব্রাজিলগী মিদফিল্ডর রফেল ওগষ্টো চেন্নায়িন এফ সিদা য়াওখ্রে



চেন্নাই, জুলাই ১৭ ঃ

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) তা অমুক হন্না চেম্পিয়ন ওইনবগী অচেৎপা থাজবা থল্লিবা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চেন্নায়িন এফ সিদা ব্রাজিলগী মিদফিল্ডর রফেল ওগষ্টো অদুমক য়াওরগনি হায়রি।

মশাগী চহী ২৫ খক্তা ঙাইরিবা ব্রাজিলগী মিদফিল্ডর রফেল ওগষ্টো অসি হৌখিবা মমাঙ চহীদগী হৌনা চেন্নায়িন এফ সিগী খ্বাইদগী মগুন লৈবা শান্নরোয় অমা ওইরিবনি। আই এস এলগী এদিসন্দা মহাক্না পীখিবা ফজরবা পাস কয়া অদুনা চেন্নায়িন এফ সিবু চেম্পিয়ন ওইবদা অচৌবা মতেং পাঙখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক রফেল ওগষ্টো মমাঙ চহীগী ইন্দিয়ন সুপর লীগকী য়াম্না লুরবা লীগ মেচকী তানফম য়ৌশিল্লকপা মতমদা শোকখিবদগী মমাঙগী সিজন অদুমা পোত্থাদুনা লৈবা তাখি। মতম শাংনা শোকপদগী পোত্থাদুনা লৈখিবনা মমাঙগী ইন্দিয়ন সুপর লীগতা রফেল ওগষ্টোগী ফজরবা পার্ফোমেন্সশিং অদু মীয়াম্না নীংথিনা উবা ফংখিদে। অদুবু হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা আই এস এলগী অহুমশুবা এদিসন অসিদদি রফেল ওগষ্টোগী ফজরবা খূৎশান্না কয়া অদু লৈবাক মীয়াম্না উবা ফংলগনি।

মমাঙগী আই এস এলদা রফেল ওগষ্টোনা মেচ ১২ শান্নখিবা অদুদা মহাক্না মেচ খুদিংমক্তা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎখি। মহাক্না শরুক য়াখিবা মেচ ১২ অদুদা মহাক্না শুপ্নগী ফাউল অমুরক তৌখিবা নত্তনা অতোপ্পা পামদবা অমত্তা তৌখিদে।

রফেল ওগষ্টোনা ব্রাজিলগী ফ্লুমিনেন্সতগী চেন্নায়িন এফ সিদা লোনদা লাকখিবনি। রফেল ওগষ্টোনা য়ু এস এগী মেজর সোক্কর লীগতা দি সি য়ুনাইটেদতা শান্নখিবগা লোয়ননা পোলেন্দগী লিগিয়া ৱারসোদসু শান্নরকখি।

চেন্নায়িন এফ সিগী মেনেজর মার্কো মেটেরাজিনা ফোঙদোকখিবদা রফেল ওগষ্টোনা ফিল্ড মনুংদা চঙখ্রগা য়াম্না ঈং তপ্না অমদি চেকশিন্না শান্নবগী মওং কয়া অদুনা মহাকপু মীয়াম্না য়াম্না ৱাংনা ইকায় খুম্নবা উৎপা শান্নরোয় অমা ওইরিবনি।

রফেল ওগষ্টো য়ুরোপকী টোপ ক্লবশিংদসু শান্নবা ঙম্বা য়াম্না হৈশিংলবা মিদফিল্ডর অমনি হায়না মার্কো মেটেরাজিনা মখা তাখি।

রফেল ওগষ্টো ইন্দিয়ন সুপর লীগকী বেষ্ট প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্টকী কন্টেন্দর অমনি। অদুবু মহাক মমাঙগী আই এস এলদা শোকখিবা অদুনা বেষ্ট প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্টকী মনা অদু ফংবা ঙমখিদবনি হায়রি।

# ইংলেন্দনা ইন্দিয়াদা টুর তৌরক্তুনা টেষ্ট মেচ মঙাগী সেরিজ শান্নরগনি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৭ ঃ

লাক্লিবা নবেম্বর ৯ দগী মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১ ফাওবা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াদা টুর তৌরক্তুনা টেষ্ট মঙাগী সেরিজ, ৱান দে ইন্টরনেসনল (ও দি আই) মেচ অহুম অমসুং ত্বেন্টি-২০ ইন্টরনেসনল (টি-২০) মেচ অহুম শান্নরগনি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না লাউথোকখ্রে।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১২ দা ইংলেন্দনা অরোইবা ওইনা ইন্দিয়াদা টুর তৌরকখিবা অদুদা মেচ মরিগী সেরিজ অমা শান্নখিবদা ২-১ দা মায় পাকখিবনি।

বি সি সি আইনা মমাঙদা অনৌবা টেষ্ট মেচ শান্নফম তরুক লাউথোকপা লৈখ্রে। হায়রিবা টেষ্ট শান্নগদবা অনৌবা ভেন্যুশিং অদুদি ইন্দোর, রাজকোট, বিশাখাপত্নম, ধর্ম্মশলা, রাঞ্চি অমদি পুনেনি।

হায়রিবা মফমশিং অসিদা কুমজা ২০১৬-১৭ কী কেলেন্দর ইয়র অসিদা টেষ্ট মেচশিং পাঙথোক্কনি। লাক্লিবা ওক্তোবর থাদা ন্যুজিলেন্দনা মফম অসিদা লাক্তুনা শান্নরগদবা টেষ্ট মেচ অদু ইন্দোরদা পাঙথোক্কনি। অদুগা রাজকোট অমদি বিশাখাপত্নম অনীনা ইংলেন্দনা লৈবাক অসিদা টুর তৌরক্কদৌরিবা অসিগী অহানবা টেষ্ট মেচ অনী শান্নগনি। অদুগা মোহালি, মুম্বাই অমদি চেন্নাইদা মখা তানা টেষ্ট সেরিজশিং পাঙথোক্কনি।

লৈবাকশিং অসিনা শান্নবা লোইদ্রিঙৈদা খৃষ্টমাস অমদি ন্যু ইয়রসকীদমক মখোয়গী মরমদমদা হনখিগনি। তুংদা অমুক ইন্দিয়াদা লাক্তুনা মখা তাবা মেচশিং শান্নরগনি হায়রি।

ইংলেন্দনা লৈবাক অসিদা টুর তৌরক্কদৌরিবা অসিগী অহানবা ও দি আই মেচনা পুনেদা কুমজা ২০১৭ কী জানুৱারী ১৫ দা শান্নগনি।

কটুক অমসুং কোলকটাদা মথংশিংনা ও দি আই মেচ অনী শান্নগনি অদুগা কানপুর, নাগপুর অমদি বেঙ্গালুরুদা টি-২০ গী মেচশিং যূম্বু ওইদুনা শান্নগনি।

ইংলেন্দনা ইন্দিয়াদা লাক্কদৌরিবা টুর অসিগী সেদ্যুল লাউথোকখিবদা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন বিরাট কোহলিনা হরাউ তয়াম্না ফোঙদোকখি। মহাক্না মেচশিং অসিগীদমক মাঙদা মিৎয়েং থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, মসি য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইবা সেরিজ অমা ওইরগনি। লৈবাক অনীনা অকনবা শক্তি পুথোক্লদুনা শান্নগনি। ইংলেন্দ অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা সাইদ অমা ওইরি। মরম অদুনা ঐখোয়না থাক ৱাংবা ক্রিকেট শান্ননবগী অশা তৌরি। অদুম ওইনমক শান্নগদবা মেচশিং মখোয়গী ইয়ূম লমদমদা ওইগদবনা লৈবাক অনীগী ফেনশিংনা শুংশোই শোইদনা সপোর্ট তৌগনি হায়বা ৱাফম থমখি।

ইংলেন্দ অমদি ইন্দিয়ানা শান্নগদবা টেষ্ট মেচশিং অদুদি অহানবা টেষ্টনা নবেম্বর ৯ দগী ১৩ ফাওবা রাজকোটকী সৌরাষ্ট্রা ক্রিকেট এসোসিএশন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি।

অনীশুবা টেষ্ট মেচনা নবেম্বর ১৭ তগী ২১ ফাওবা বিশাখাপত্নমগী এ সি এ-ভি দি সি এ, অহুমশুবা টেষ্ট মেচনা নবেম্বর ২৬ তগী ৩০ ফাওবা মোহালিগী আই এস বিন্দ্র ষ্টেদিয়ম, মরিশুবা টেষ্টনা দিসেম্বর ৮ দগী ১২ ফাওবা মুম্বাইগী ৱানখেদে ষ্টেদিয়মদা অমসুং মঙাশুবা টেষ্ট মেচনা দিসেম্বর ১৬ তগী ২০ ফাওবা চেন্নাইগী এম এ চিদাম্বরম ষ্টেদিয়ম শান্নগনি।

ৱান দে ইন্টরনেসনল মেচশিংদা অহানবা ও দি আই মেচনা জানুৱারী ১৫ দা পুনেগী মহারাষ্ট্রা ক্রিকেট এসোসিএশন'স ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা দে এন্দ নাইটতা শান্নগনি। অনীশুবা ও দি আই মেচনা জানুৱারী ১৯ দা কটুক্কী বারাবতি ষ্টেদিয়মদা দে এন্দ নাইট অমসুং অহুমশুবা ও দি আই মেচনা জানুৱারী ২২ দা কোলকটাগী ইদন গার্দেনদা দে এন্দ নাইটতা শান্নগনি।

টি-২০ ইন্টরনেসনলদা অহানবা টি-২০ না জানুৱারী ২৬ তা কানপুরগী গ্রিন পার্ক, অনীশুবা টি-২০ না জানুৱারী ২৯ দা নাগপুরগী বিদরবা ক্রিকেট এসোসিএশন ষ্টেদিয়ম অমসুং অহুমশুবা টি-২০ না ফেব্রুৱারী ১ দা বেঙ্গলুরুগী এম চিনশ্বামি ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি হায়রি।

# মিনি নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ ঃ

চৎলিবা থা অসিগী ২২ দগী মহারাষ্ট্রগী নাসিক্তগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭ শুবা মিনি নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা মিনি বোইজ এন্দ গার্লস টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

থা অসিগী ২৪ ফাওবা চথুগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএশনগী নুপামচাগী ফেন্সরশিং অদুদি ও কে দেলমিশ, ঐচ লোইজুম্বা, সি ঐচ রোনেল, য়াইফবা, এন বেনসন, এস নেলসন, কে ঐচ বোরিসবেকর, মনিস, এল মোরাম্বা, এস ঐচ টেজবন্ত, এন দেনিসন অমদি এল নৱাংনি।

নুপীমচাগী কাঙলুপ্তুনা ঐচ বালা, এন রোলিয়া, টি ঐচ দিগোল, টি ঐচ ভেলেন্টিনা, এস ক্রাউনলেদি, এ চন্দ্রিকা, এল মন্দা, রোজিবালা, এল অবি, এন জেসি, কে ঐচ জেসমিনা অমদি এন মারিয়ানি।

মণিপুর টিম অসিগী কোচনা এস রঞ্জিৎ অমসুং পি নন্দিনিনি। অদুগা টিম মেনেজরনা ঐচ মঙলেম্বা অমসুং এল ওজিৎনি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট শুটিং কম্পিটিশন

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ৭ শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট শুটিং কম্পিটিশন ২০১৬ থা অসিগী ২৮ দগী ৩১ ফাওবা খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জদা পাঙথোল্লগনি।

মণিপুর রাইফল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিশন অসিদা শরুক য়ানিংবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শুটরশিংনা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জদা অয়ূক পুং ৬.৩০ দগী ৯.৩০ ফাওবদা লাক্তুনা সাইগী শুটিং কোচ এল তোম্বগা উনদুনা অকূপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।





HL-B/3127/7/6-6/7




HL-B/3157/29/06-28/07

